# থাংমৈবন্দ পোলো ক্লবনা কে এম রাইদিং স্কুল মায়থীবা পীদুনা নুপী পোলোগী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, জান্যুৱারী ০৯ ঃ
ওল মণিপুর পোলো এসোসিএশন্না শিন্দুনা ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা টিম ২২ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৩৩ শুবা ষ্টেট লেভেল পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী ফাইনেল মেচ অদুদা থাংমৈবন্দ পোলো ক্লবনা কে এম রাইদিং স্কুল পাঞ্জল ৬-০ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

থাংমৈবন্দ পোলো ক্লব অমসুং এম এম রাইদিং স্কুল হায়রিবা পোলো টিম অনী অসিনা শরুক য়াদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা থাংমৈবন্দ পোলো ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নদুনা মেচ অদুগী চক্র মরিমক্তা অকনবা এটেক কয়া লেপ্তুনা চথখি।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা থাংমৈবন্দ পোলো ক্লবকী কে ঐচ হাবেনা অহানবা চক্রদা পাঞ্জল অমা চনখি। অনীশুবা চক্রদা কে ঐচ হাবে অমসুং এ রোমাবতিনা পাঞ্জল অমমম চনখি। অহুমশুবা চক্রদা এস লাংলেন , কে ঐচ দেবেন্তি অমসুং কে ঐচ হাবেনা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা টিমদুগী পূন্না পাঞ্জল ৬ শুখি।

অমরোমদা মফম অসিদা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী অহানবা মেচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম বিনা ক্রিপসা টিম এ নাওরেমথোং পাঞ্জল ৮-১ দা মায়থীবা পীদুনা মণিপুর পুলিস টিম বি সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

অতোপ্পা মেচ অমদা এক্স পোলো ক্লব টিম এ ৱাংখৈনা ক্রিপসা টিম বি নাওরেমথোং পাঞ্জল ১০-২ দা মায়থীবা পীদুনা এক্স পোলো ক্লব টিম এ ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী অহানবা মেচ অদুদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম বিনা ক্রিপসা টিম এ নাওরেমথোং পাঞ্জল ৮-১ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি। মায়থীহৌরবা ক্রিপসা টিম এ নাওরেমথোং টুর্নামেন্ট অসিদগী নীংবা কায়না লৈহৌখি।

মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা মণিপুর পুলিস টিম বিগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নদুনা মেচ অদুগী চক্র মরিমক্তা ওপোনেন্ট টিমবু লাকশিন্দুনা শান্নখি। মণিপুর পুলিস টিম বিগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্রদা টি ঐচ কাউবনা চনখি। অনীশুবা চক্রদা টি প্রদিপনা চনখি। অহুমশুবা চক্রদা টি প্রদিপনা পাঞ্জল অনী, পি জোতিন অমসুং টি ঐচ কাওবনা পাঞ্জল অমমম চনখি। মরিশুবা চক্রদা ও সুরেস অমসুং আই খাবনা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা টিমদুগী পূন্না পাঞ্জল ৮ শুখি। মেচ মায়থীহৌরবা ক্রিপসা টিম এগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু এন অলেক্সনা মরিশুবা চক্রদা চনখি।

নুপাগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা এক্স পোলো ক্লব টিম এ - ৱংখৈনা ক্রিপসা টিম বি পাঞ্জল ১০-২ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা এক্স পোলো ক্লব টিম এগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্রদা এল অতাংবনা পাঞ্জল অহুম অদুগা টি ঐচ জেকোবনা পাঞ্জল অমা চনখি। অনীশুবা চক্রদা টি ঐচ জেকোবনা পাঞ্জল অমা চনখি। অহুমশুবা চক্রদা টি ঐচ জেকোবনা পাঞ্জল অমা মরিশুবা চক্রদা এল অতাংবা অমসুং টি ঐচ জেকোবনা পাঞ্জল ২/২ চন্দুনা টিমদুগী পূন্না পাঞ্জল ১০ শুখি। ক্রিপসা টিম বিগী পাঞ্জল অনী অদু অহুমশুবা চক্রদা ওমেস গুরুং অমসুং এ কে সনাতোম্বনা চনখি।

হয়েং অহানবা মেচ ইবুধৌ মার্জিং খুভম কনবা লূপ টিম এ অমসুং নম্বুল মপান পোলো ক্লব টিম বিগা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ মণিপুর পুলিস টিম এ অমসুং থৌবাল পোলো ক্লবকা শান্নগনি। অহুমশুবা মেচ চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব অমসুং এক্স পোলো ক্লব টিম এগা শান্নরগনি।

# ষ্টেট লেবেল কেশ প্রাইজ সভেন এ সাইদ ওপন ফুটবোলদা কে য়ু এফ সী ককচীং অমসুং ইরেংবন এফ সী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জান্যুৱারী ০৯ ঃ
ওল ইরেংবন ফুটবোল ফেদরেশন (এ আই এফ এফ) ইরেংবন্দনা শিন্দুনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ইরেংবন্দ হায়স্কুলগী গ্রাউন্দদা টিম ১৭ না শরুক য়াদুনা চথরিবা অনীশুবা ষ্টেট লেবেল কেশ প্রাইজ সভেন এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬-১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা কে য়ু এফ সী ককচীং অমসুং ইরেংবন এফ সী মায় পাকখ্রে।

টিম ১৭ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা হৌখিবা দিসেম্বর ২৯ দগী চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা কে য়ু এফ সী ককচীংনা এস দব্লিয়ু এস ৱাই সী সোরা গোল ৬-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা কে য়ু এফ সী ককচীংগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নদুনা মেচ অদুগী মতম পূম্বদা দোমিনেট তৌদুনা লৈখি। কে য়ু এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা মীকুপ কাংদনা চথখিবা এটেক্কা মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা গোল অহুম চনখি। টিমদুগী গোলশিং অদু কান্তনা অহানবা গোল মেচকী ২ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী শান্নরোয় সুসিলনা গোল ৪ মেচকী ৭, ৩১, ৩৬ অমসুং ৩৮ শুবা মিনিটতা চনখি। ঘনশ্যামনা গোল অমা মেচকী ১৯ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা ইরেংবন এফ সীনা ককচীং য়ুনাইটেদ গোল ৪-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা ইরেংবন এফ সীগী গোল মরিমক দেনিএলনা মেচকী ১০, ২০, ২৩ অমসুং ৩৪ শুবা মিনিটতা চনখি। ককচীং য়ুনাইটেদকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু অমরনা চনখি।

# চেম্প খাগেম্পল্লিনা মোদেল ক্লব চীংঙামখা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ০৯ ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন্না শিন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহুমশুবা এম সী এ দব্লিয়ু প্রলাহদা অমসুং দব্লিয়ু রমানন্দ এলিট ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা চেম্প খাগেম্পল্লি মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা চেম্প খাগেম্পল্লিনা মোদেল ক্লব চীংঙামখা ৱিকেট ৭ তা মায়থীবা পীখি। ঙসিগী মেচ অসিনা খ্বাইদগী রন রেট নেম্বা মেচশিংগী মনুংদা অমা ওইখি। ওভর ৪০/৪০ শান্নখিবা মেচ অদুদা মোদেল ক্লব চীংঙামখানা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌনবা খনখি। মোদেল ক্লবনা শুপ্নগী ওভর ১২.৩ মায়োক্নখিবদা রন ২৬ লৌরগা ওল আউট ওইখি।

মোদেল ক্লবকী শান্নরোয় বিজয় কুমারনা বোল ২২ মায়োক্নখিবদা শুপ্নগী রন ৭ খক লৌদুনা টিম অসিগী ওইনা খ্বাইদগী রন য়াম্না লৌবা ঙম্বা শান্নরোয় ওইখি। ফিল্ডিং তৌখিবা চেম্পকী বোলর রবি অমসুং গুলসনগী য়াম্না ফজরবা বোলিং পার্ফোমেন্স অদুনা মোদেল ক্লবকী শান্নরোয়শিংবু ৱিকেট মথঙ মথঙ লৌদুনা মেচ অসি চাউনা মায় পাকপদা মতেং ওইখি। বোলর রবিনা ৱিকেট ৭ অদুগা গুলসন্না ৱিকেট ২ লৌখি। মোদেল ক্লবনা থল্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীরদুনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা চেম্প খাগেম্পল্লিনা শুপ্নগী ওভর ৫.১ মায়োক্নখিবদা ৱিকেট অহুম আউট ওইরগা রন ২৮ লৌদুনা মোদেল ক্লবপু ৱিকেট ৭ তা মায়থীবা পীখি।

মেচ অদুদা চেম্পকী রোবিনসন্না রন ১২ (৯), অবদুলানা রন ৬ (৬) লৌখি। মেচ অদুদা চেম্পকী রবিনা ৱিকেট ৭ লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি। মথঙগী মেচ থা অসিগী ১১ দা শঙাই অমসুং পি আর সী সীগা শান্নগনি।

# নেসনল থাঙ-তা কম্পিটিসন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ০৯ ঃ থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা থাঙ-তা এসোসিএসন ওফ টেলঙ্গানানা শিন্দুনা ২৩ শুবা নেসনল থাঙ-তা কম্পিটিসন ২০১৭ থা অসিগী ২৫ দগী ২৯ ফাওবা হায়দ্রবাদকী লমথাপুরদা লৈবা লিঙ্গারেদি গার্দেন ফঙ্কসন হোলদা পাঙথোক্লগনি।

নুমিৎ মঙানি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল থাঙ-তা কম্পিটিসন অদুদা মণিপুরগী ওইনা নুপা অমসুং নুপীগী সব জুনিয়র, জুনিয়র অমদি সেনিয়রগী কাঙলুপ্তা শরুক য়াগনি।

নেসনল থাঙ-তা কম্পিটিসন অসিদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদবা নুপা অমসুং নুপীগী সব জুনিয়র, জুনিয়র অমদি সেনিয়র থাঙ-তা টিমসু য়ূম্লাম হুইদ্রোমদা লৈবা হুইয়েন লাংলোন থাঙ তা এসোসিএসনগী শঙলেন্দা শেমখ্রে।

নেসনল থাঙ-তা কম্পিটিসন অদুদা মণিপুর য়াওনা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি য়াওনা পূন্না ষ্টেট ৩১ না শরুক য়াদুনা অথোই অহেন তান্নগনি।

কম্পিটিসন অসিদা তোঙান তোঙানবা থাঙ-তাগী মশান্না মরি পাঙথোক্তুনা শান্নরোয়শিংনা অথোই অহেন তান্নগনি। পাঙথোক্কদৌরিবা মশান্নশিংদি ফুনবা অমা, ফুনবা অনীশুবা, থাঙ হাইবা, থাঙলোন অমদি খোঙলোন-খুৎলোননি।

থাঙ-তা কম্পিটিসন অসিদা মণিপুরগী ওইনা পূন্না শান্নরোয় অমদি ওফিসিএল ১০৪ না শরুক য়াগনি। কম্পিটিসন অসিগীদমক মণিপুর থাঙ-তা শান্নরোয়শিং য়ূম্লাম হুইদ্রোমদা লৈবা হুইয়েন লাংলোন থাঙ তা এসোসিএশনগী শঙলেন্দা থা অসিগী ২ দগী চথরকখিবা নুমিৎ ২১ নিগী ওইবা থাঙ তাগী কোচিং কেম্পতা শরুক য়াদুনা অকনবা ট্রেনিং চথরিবনি।

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটি আর্চরি টিম শেমখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ০৯ ঃ লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ১৫ দগী ১৯ ফাওবা অন্ধ্র প্রদেশকী কৃষ্ণ য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি মেন'স এন্দ ৱিমেন'স আর্চরি টুর্নামেন্ট ২০১৬-১৭ তা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা আর্চরশিং খনখ্রে।

খল্লবা আর্চরশিংদি নুপাগী রিকর্ভতা কমখ্যা পেমতোন কোলেজদগী ও অশোক, কে এস ঐচ দেবকান্ত, ষ্টেন দার্দ কোলেজদগী টি সেন মীতৈ অমসুং বিরমঙ্গল কোলেজদগী দিওনিক এ দ্রোংমারাকনি। রিজার্ভ ওইনা বিরমঙ্গল কোলেজদগী এন তাওরেমনি।

নুপাগী ইন্দিয়ন রাউন্দদা থৌবাল কোলেজদগী এ দিনেশ্বর অমসুং এল প্রিয়োবর্ত্ত, বিরমঙ্গল কোলেজদগী অনোল্ড কৈশাম অমসুং মাঙ্গোলঙানবী কোলেজদগী থোইথোইবা ওনি। রিজার্ভ ওইনা রিজনেল কোলেজদগী এম লমজিংবা অমদি দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সতগী এ রষ্টমনি।

নুপাগী কম্পাউন্দ আর্চরশিংদি বিরমঙ্গল কোলেজদগী এম বিক্রম অমদি প্রভাবতি কোলেজদগী এ সোমানন্দনি।

নুপীগী খল্লবা রিকর্ভকী আর্চর অদুদি ময়াং লম্বী কোলেজদগী এন পানোরমানি। নুপীগী ইন্দিয়ন রাউন্দদা বিরমঙ্গল কোলেজদগী এস জেনিফর অমসুং কে পুস্পবতি, আর এ এলদগী ৱাই ভারতি অমদি এস রোবিতানি।

রিজার্ভ ওইনা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সতগী এস প্রেমিতা অমদি পোল ষ্টার কোলেজদগী টি ঐচ স্বাসিতানি। খল্লবা আর্চরশিংনা থা অসিগী ১২ গী অয়ূক পুং ১১ তাবা মতমদা এম য়ুগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ওফ স্পোর্টসতা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।



HL-B/3524,7,9....

# থা ৩ গী গ্রাসরুট প্রোগ্রাম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ০৯ ঃ
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শিন্দুনা থা ৩ চুপ্পা চথগদবা গ্রাসরুট প্রোগ্রাম জান্যুৱারী থাগী অরোইবা চয়োলদগী হৌনা পাঙথোক্লগনি।

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকী মনুংদা লৈবা চহী ৬ তগী ৮ ফাওবা, ৯ দগী ১০ ফাওবা অমদি চহী ১১ দগী ১২ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি।

অমরোমদা অম্ফানা শিন্দুনা গ্রাসরুট লিদর কোর্স পাঙথোক্লগনি। মরম অদুনা শরুকয়ানিংবশিংনা থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা চেপীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

Bye Bye - New Year Offer
"Small Size
Big Gain"
Woollen Jursy/Jacket
Size - L
@ ₹ 499 only
And
Gents Trousers
Waist 28-30
**Brightways**
Thangal Bazar
Opp. Punjab & Sind Bank
*A House of Exclusive Readymade Garments & Hosiery.*
HL-B/3577/29-31,1,3,4,5,7-14 jan




HL-P/00238,10,12,14



HL-B/3537/14/12-14/01




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com